# আর্টিষ্ট নত্তবা অতৈ অমত্তা ওইনিংংদে হায়রিবী ইল্লিনা

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

মণিপুরী খুন্নাইগী নিঙোলনি হায়রবদি জগোয় হেক্তমক হৈরম্মী। জগোয় হৈতবা হায়বসি মণিপুরী অমা ওইনদি পুন্সিগী অৱাংপা অমা অদুমক লৈরবগুম্বনি। লমদমসিগী নুপী ১০০ গী মনুংদা ৫ শুনা জগেয় হৈতবা লৈতে।

লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী পুম্নমক্কী লাইনিং-লাইশোনগী থৌরমগা জগোয়গা নক্কবা মরী লৈনৈ। জগোয় য়াওদনা লাই-তীনগী থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদে। অমরোমদসু লমদমসিগী হরাও-কুম্হৈ পুম্নমক জগোয়গা মরী লৈনৈ। মণিপুরী নুপীশিংগী খুৎশাদা জগোয় হায়বসি পত্তুনা লৈরবগুম্বনি। মরমসিনা মণিপুরদা জগোয়গী ওইবা লূপ কয়া লৈ। লৈকায় খুদিংমক্তা জগোয়গী ওজা অমমমদি অদুমক লৈ।

লাই হরাওবগী জগোয় তম্বীবা ওজা লৈতবা লমদম অদুদি মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা লৈকায়নি নৎত্রগা খুঙ্গংনি হায়রুবদা লান্না থোক্কনি। জগোয় শাবী কয়া লমদমসিদা পোকখ্রে। অনৌবী জগোয় শাবী কয়াসু লমদমসিদা থোরক্লি। থোরক্লিবশিং অসিনসু অরোইবা নত্তে। মখা তানা কয়া অমসু থোরকখিগদৌরি। লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপদা জগোয় শাবীশিংগী থৌদাং য়াওদে হায়রুবদা লানগনি। ঐখোয়গী জগোয়না মালেমগী মফম কয়া য়ৌখ্রবনি। মাইবী জগোয়, লৈমা জগোয়, লৈশেম জগোয়, লৌতারোল জগোয় থোইদোক্লা মমিং চৎপা লমদমসিগী জগোয়শিংনি। চীংমীশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা মখলগী জগোয় কয়া লৈরিবনি। মরমসিনা ঐখোয়না জগোয় শাবীশিং মীরায়বা য়াদ্রি। জগোয় শাবীশিং পূক্লিং থৌগৎপা হায়বসিসু খুন্নাইসিগী নাৎ অমসুং কলচর য়োকখৎপগী অচৌবা শরুক অমনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা থম্লগনি নিংথৌজম ইল্লিনাগী মরমদা পূক্লিং থৌগৎ-ৱারোল খরদং থমগে খন্দুনা লৌখৎচরক্লিবসি।

নৌরিবী নুপীমচা অসি খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়, লাইনিংথৌ অহনবা লৈরক্তগীনি। হৌজিক ক্লাস নাইন তম্লি। রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া, পাঙ্গৈদা মহৈ তম্লিবীসি কুমজা ২০০২ গী মার্চ ১ দা তাইবঙদা খোঙদারকই। সুশিল নিংথৌজা অমসুং নিংথৌজম ওংবী সৈত্যভমাগী মমোমলোয়নি। মতিক চারবী জগোয় শাবী নৎত্রগা প্রোপুল্লর ফিল্ম ষ্টার ওইগনি হায়দুনা তাইবঙ মীরোল তারকপদগী হৌনা মচিন্না শোল্লগদা লাকখিবী ইল্লিনানা হৌজিকসু মহাক্কী



অপাম্বা হোংদ্রি। রেদ অমসুং ব্লু পামজবী অসি চহী ৩ ফাউন্দেসন কোর্স তম্লবা মতুংদা জগোয়গী লমদা চহী ২ গী ওইনা স্কোলারশিপ ফংখি। হৌজিক্লা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমী দিপ্লোমা ফর্ষ্ট ইয়ার তম্লি।

কুমজা ২০১৪-১৫ দা সেন্টর ফোর কলচর রিসার্চ এন্দ ট্রেনিং মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সকী মরমদা ইরুংবম নলিনিগী মখাদা তমদুনা মহাক্কী স্কোলারশিপ অসি ফংখিবনি। জগোয় পামজনা হৌরকপগী হৌনবী লাইবুং কয়াদা জগোয় শারকখিবতা নত্তনা জগোয়গী অথোই-অহেন তান্নবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াখি। অহানবা মনা ক্যারকহন্না ফংখি। মদুগী মনুংদগী পনবা য়াবা খরদি, মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওলেম্পিক এসোসিএসন্না শীনবা ষ্টেট লেবেল দান্স কম্পিটিসন্দা ফোক দান্সকী লমদা ফর্ষ্ট পোজিসন তাখি। মোর্দন দান্সনা থর্দ পোজিসনগী মনা ফংখি।

কুমজা ২০১৩ দা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা বাল সঙ্গমনা শীনবা ক্লাসিকেল দান্সকী থৌরম অমদা জগোয় উৎখি। থৌরম অদু ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১৪ দগী নবেম্বর ২১ ফাওবা থৌরম অসি পাঙথোকখি। হায়রিবা চহীসিমক্কী দিসেম্বর থাদসু এল্লাহাবাদতা পাঙথোকপা শিল্পা মেলাদা ক্লাসিকেল দান্স উৎখি। ওক্তৈন ফেষ্টিবেল ২০১৪ দসু ক্লাসিকেল দান্স উৎলুরবীনি। থৌরম অসিনা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবনি। মুম্বাইদা পাঙথোকপা অদি রঙ্গম ফেষ্টিবেলদসু কবুই জগোয় উৎখি। হায়রিবা অসিনা কুমজা ২০১৪ দনি। আগরতালাদসু কুমজা ২০১৪ গী জুলাই থাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ক্লাসিকেল দান্স উৎলি। হায়রিবা চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা লেক রং ফেষ্টিবেলদসু লাই হরাওবগী জগোয় উৎলুবদা মীয়ামগী মীনুংশি হেন্তোক্লা ফংলকখ্রবী নুপীমচানি। হায়রিবা শিংথানিংঙাই ওইরবা ফেষ্টিবেল অসি রাজস্থানদা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা চহীসিগী হায়রিবা থাসিমক্তদা চান্দিগড়দা পাঙথোকপা কলচরগী মরুওইবা থৌরম অমদা লাই হরাওবা জগোয় উৎখি। কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকপা নাগালেন্দগী হোর্নবিল ফেষ্টিবেলদা ফোক দান্স উৎখি। কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর থাসিমক্তদা শিব সাগরদা পাঙথোকপা শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌরম অমদা মাইবী জগোয় উৎখি। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকপা ওনম ফেষ্টিবেলদা মার্সেল আর্টকী শান্নরোয় অমা ওইনা থাঙ-তাগী কুম্হৈ উৎখি। থৌরম অসি কেরলাদা পাঙথোকখিবনি। কুমজা ২০১৫ দসু নেসনল স্কুল ওফ দ্রামানা শীনবা বাল সঙ্গমগী থৌরমদা ক্লাসিকেল দান্স উৎখি। হায়রিবা বাল সঙ্গমগী থৌরম অসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। কুমজা ২০১৫ গী নাগালেন্দগী হোর্নবিল ফেষ্টিবেলদসু মাইবী জগোয় উৎখি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিনা তাক্লে মদুদি, নিংথৌজম ইল্লিনা তুংগী লম্বী য়াম্না লৈরিবী নুপীমচা অমনি। মহাক্লা মণিপুরী জগোয়বু ইনিদয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা উৎলুবসিনা তাক্লিবদি মহাক অসি লমদমসিগী তাঙলবী নিঙোল অমা ওইরক্লি হায়বসিনি।



## ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নুমীৎ খুদিংগী কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা পীবগী খুদম ফংলে



মীয়াম্না হান্না থাজনরম্বগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।

নুমীৎ খুদিংগী ময়াই ওইরপ্পা চাংদা কোফী থক্লবদি থম্মোয়গী লায়না অমসুং দাইবেটিসনচিংবা লায়না কয়ানা মরম ওইরদুনা শিহনবা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি।

হার্ভার্দ য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ পব্লিক হেল্ঠনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না নোংমদা কোফী কপ মঙা চাং নাইনা থক্লবদি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম ফংই হায়রি।

ষ্টদি অদু লুচিংখিবা ন্যুট্রিশন এন্দ ইপিদমিওলোজিগী প্রোফেসার ফ্রেঙ্ক হু না 'সর্ক্যুলেসন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী চাংচৎতা কোফী কপ অহুমদগী কপ মঙা ফাওবা থকপা মতমদা মৈখু শীজিন্নবনা থোকহল্লকপা অমাঙ-অতাশিং ফাওবা খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী। থম্মোয়গী লায়না, দাইবেটিস অমদি অতৈ লায়না কয়ানা মী শিহনবা য়াবগী রিস্কসু হন্থহল্লি।

মমাঙদসু ময়াই ওইরপ্পা চাংদা কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়বা ষ্টদি খরদগী খঙবা ঙমখ্রবনি। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱাফম চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক মখা তানা থিজিনগদবা ৱাংলি।

মীওইবগী চাকচা-য়ুথক অমদি পুন্সি মহিংনা হকশেলদা পীরকপা অমাঙ-অতোংগী মরমদা ডোক্তর অমসুং নর্স ২০০,০০০ রোম্না চথখিবা ষ্টদিশিংবু প্রোফেসার ফ্রেঙ্ক হু অমদি মহাক্কী কাঙবুনা চহী ২০ লোম কূপ্না নৈনখি। থিজিনবা অদুদা চাং নাইনা কোফী থকপা মীওইশিং পূন্সি শাংই হায়বা খঙলকখিবনি। কনাগুম্বা মৈখু শীজিন্নদবা মীওই ওইরগদি অমুক্তা হন্না পূন্সি শাংদোকহল্লি হায়রি।

কনাগুম্বা কোফী থকপা পামজবা মীওইশিংগীদমক্তদি ৱাফম অসি নুংঙাইবা পাউ ওইনা লৌবা য়াই। মরমদি কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়বসি য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি হায়না প্রোফেসার ফ্রেঙ্ক হুনা ফোঙদোকখি।


কোফী থকপনা হকচাংদা মতৌ করম্না কান্নবা পীবগে হায়বগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাংলি। তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ামরুম ঙাকথোক্ল বগীদমক কোফীবু হীদাক্কী মওংদা চাং নাইনা থকউহায়না রেক্কমেন্দ তৌবমকসু ঙমদ্রি। মরমদি কোফী থকপদা য়াওরিবা চিনিনা হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না প্রোফেসার ফ্রেঙ্ক হুনা ফোঙদোকখি।

অমেরিকান মীয়ামগী চাকচা-য়ুথক নৈনবদা দার্ক কোফীনা হকশেলদা খ্বাইদগী চাউনা কান্নবা পী হায়বা খঙলকখি। পূন্সি মহিং অমদি চাকচা-য়ুথক দি এন এ (দিওক্সিরাইবোজ ন্যুক্লিক এসিদ) দা থোকহল্লক্কদবা অমাঙ-অতা পুন্না দার্ক কোফীদা য়াওবা এন্টিওক্সিদেন্টনা ঙাক-থোকপা ঙম্মী হায়রি। অতৈ অতোপ্পা রিছার্স ৱার্কশিংগী রিপোর্টনা হায়খি, কোফী থকপনা কোলোন কেন্সর অমদি দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংই। থম্মোয়গী লায়না অদি দাইবেটিসনা থোকহল্লকপা ইনফ্লেমেসন হন্থহনবদসু মতেং পাংই।

মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী এক্সপার্টশিংনা চীঞ্জাক্কী অনৌবা গাইদলাইন শেম্বা দাইবেটিস, পার্কিন্সন'স দিজিজ অমদি লিভর কেন্সর ঙাকথোকপদা মতেং পাংলিবশিংগী মনুংদা কোফীগী ৱাফম হাপচিনবা মথৌ তাই। 'সর্ক্যুলেসন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টতা রিছার্সরশিংনা হায়খি, কোফীদা য়াওবা ক্লোরোজেনিক এসিদ, লিগনাম, ক্বিনাইদস, ট্রাইগো-নেলিন অমসুং মেগনেসিয়মনা ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স অমদি সিষ্টেমেটিক ইনফ্লেমেসন হন্থহল্লি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিদবা তারবসু মিনেসোটাদা লৈবা মায়ো ক্লিনিককী কার্দিওলোজিষ্ট ডা. শেরোন হেয়িসনা হায়খি, মশীং য়াম্লবা নুপা-নুপী কয়াদা মতম শাংনা চথখিবা ষ্টদি ওইবনা রিপোর্ট অসি থাজনিংঙাই ওই। কনাগুম্বা কোফীবু পামজনা থকপা মীওইশিংনা কোফী থকপদগী হকচাং শোক্লক্কনি হায়না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদ্রে।

লায়না লৈবা লৈতবা অমসুং নুপা-নুপীগী খেন্নবা খায়দনা কোফী থকপা মতমদা চপ মান্ননা কান্নবা ফংই। তৌবতবু নোংমদা কোফী কপ মঙাদগী হেন্না থক্লোইদবনি হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদো-কখি। হকচাংনা কোফীগী কান্নবশিং হেন্না মপুং ফানা লৌশিনবা ঙম্ন বগীদমক মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা মথৌ তাই। মৈখু শীজিন্নদবা মীওইশিংনা চাং নাইনা কোফী থকপা মতমদা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৮ দগী ১৫ রোম হন্থরকই। মরম অদুনা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নুমীৎ খুদিংগী কোফী থকপনা পুন্সি শাংদোকহল্লি হায়না লৌবা য়াই। থম্মোয়গী লায়না নৎত্রগা দাইবেটিস লৈরবসু চাং নাইনা কোফী থক্লবদি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।


গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবেলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী খুথাংদা কোল্ড-চেইন শেমগৎপা শৌগৎলি। অয়াবা পীবা অচঙমলগী ৩৫% দগী ৫০% ফাইনান্সল প্রান্ট পীরি। কোল্ড-চেইন ফার্ম-গেটতগী হৌই অমসুং কঞ্জুমরশিংদা লোইশিল্লি।

**কনানা চে থাবা হৌই :** প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রি, এন্টরপ্রেন্যুওরস, কোওপরেটিবস, ফার্মর গ্রুপস, পি এস য়ুজ।
**করম্বা মতমদা চে থাগনি :** স্কিম অসি দিমান্দগী মতুংইল্লি অমসুং চহী চুপ্পা ফংবা য়াই।
**মফম কদায়দা চে থাগনি :** নহাক্কী ষ্টেটকী ওফিস ওফ দিরেক্টর, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট
**মচাকশিং :** প্রি-কুলরস, কোল্ড রুমস, কোল্ড-ষ্টোরস, রীফর বেহিকলস, রীফর কন্টেনরস, রাইপনি য়ুনিটনচিংবা লৈবা মোর্দন পেক-হাউসশিং

**গাইদলাইন্স অমসুং ষ্টেন্দর্দস**
www.midh.gov.in নৎত্রগা www.nccd.gov.in দা থুংউ

**অহেনবা ঈ-পাউগীদমক**
নহাক্কী ষ্টেটকী দিরেক্টর, ষ্টেট হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টতা হংউ

*মীয়ামগী কান্ননবগীদমক ফোংবা*
**দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, কোওপরেসন এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়র**
**মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়র**
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
সত্যমেব জয়তে

davp 65101/13/0007/1516



SECURITY AT AN AFFORDABLE PRICE




AARTI SURAKSHA
GP/GC SHEET
A Product of Bhushan Power & Steel Ltd.
Bhushan POWER & STEEL
Authorised Dealer:- Steel Trading Corporation (STC)
OPP. CANARA BANK, THANGAL BAZAR, IMPHAL
NEAR JALIN BRIDGE, NAGAMAPAL, IMPHAL
# 8415942295, 8415902526

HL-B/2883/9,12,15,18,21,24,29,2,5,7,9,12,15,18,21,24,27 feb. 2,5 march